# রেদিওগী সিগনেচের ট্যুন

‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’ অনীসি অমত্তনি। রেডিওগী থৌরমশিং মীপূম খূদিংমক্না তানরে। সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং অনীসিগী মতাংদদি ঐখোয়না নোংমতা ঙাঙনদে, ৱারী শান্নখিবসু লৈতে। ‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’হায়বসি অশন্বদা থৌরম হৌরে হায়বা খঙনবা অতেনবা শৈহৌনি হায়বা তায়। ঐখোয়না রেডিওগী শন্দোক্লিবা ট্রান্সমিসন খূদিংমক্কী অকক্নবা পুংফমদা শন্দোকপা হৌগদবা মিনট খরগী মমাংদা খোংলিবা অসিবুনি ‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন’ হায়রগা খঙনৈ। ইশম শম্না হায়রগদি-রেডিওগী থৌরম হৌগদৌরে খঙহনবা অতেনবা মিউজিক অদুবু খঙনৈ।

রেডিও হায়বসি খোঞ্জেল খক্তনা শন্দোকপা থৌরম্নি হায়বসি ঐখোয় লোয়নমক্না খঙনৈ। শন্দোক্কদবা থৌরমদি

অকক্নবা মতমদনি। রেডিওগী থৌরমশিংদি মতমদা চৎলি। মিনিট অমা, সেকেণ্ড অমা হায়বসি রেডিওগীদমক্তি মমল য়াম্না য়াম্মি। সেকেণ্ড অমা মাঙবা য়াদে অদুনা থৌরম হৌবদা মতম চাদবা য়াদে। মসি রেডিওগী থৌরম পূম্নমক্তনি। মতম চানা হৌবা হায়বসিদা ৱাহং অমা থোকলকই মদুদি কনাগী নৎত্রগা করম্বা ঘড়িদগী মতম য়েংলগা রেডিওগী থৌরম হৌগদগে? রেডিওগী থৌরম হৌবদা থৌরম শন্দোক্কদৌরিবা মীওই,মীশক্কী মশাগী খুদাং ঘড়ি য়েংলগা থৌরম হৌবা চৎনদে। রেডিও ষ্টেসন খূদিংমক্তা মতম য়েংনবা ষ্টুডিওগী ঘড়ি লৈ। ষ্টুডিওগী ঘড়ি অসি ওল ইন্দিয়া রেডিও খূদিংমক্তা মতম চপ মান্নে। ওল ইন্দিয়া রেডিও খূদিংমক্কী রেডিও ষ্টেসন্দা লৈরিবা ষ্টুডিওগী ঘড়িনা মতম মান্নবগী মরমসু অমুক লৈ।

ওল ইন্দিয়া রেডিও হৌজিক্তি ষ্টেট খূদিংমক্তা লৈরে। মাগী মাগী মরমদমগী রিজনেল থৌরম শন্দোক্নরগসু অপূনবগী ওইবা থৌরম খরা ঈ পাউ, অতৈ মরুওইবা থৌরম খরগীদমক্তি মরু ওইনা দিল্লিদগী রিলে তৌরগা শন্দোক্কদবা ওই। মসি চৎনা কাংলোন অমগী মখাদা শেমখ্রবনি। মসি রিজনেল রেডিও ষ্টেসন খূদিংমক্না ঙাক্না চৎতবা য়াদে। হায়রিবা রিলে তৌদুনা শন্দোক্কদবা থৌরমশিং অসি শোয়বা য়াদবা অমসু ওই। মশা মশাগী থৌরম শন্দোক্নরিবা রেডিও ষ্টেসন খূদিংমক্না মতম চানা দিল্লিদগী রিলে লৌদুনা শন্দোকপা হায়বসি মশক উন্নরগা নত্তে। মতমদা অঙ্ক খোৎলগা লৌনবা থৌরম্নি। রিলে তৌবা মতমদা ষ্টুডিওগী ঘড়িগী পুংফম মান্নবা মরম্না মশা মশাগী ষ্টুডিওগী ঘড়িদা য়েংনরগা থৌরম অমদগী অমনা মতম চানা লৌবা ঙম্মী। মসি রেডিওগী ষ্টুডিওগী ঘড়ি অসিগী মতেংদগীনি। ট্রেনিং চংঙি মতাংসিমদি রেডিওদা থৌ পাংবীরিবশিংগী ৱাফম ওইবনা কূপ্না থমজদ্রে। পঞ্জনিংলিবদি রেডিওদা লৈরিবা মতমগী মমল অসিগী মতাংদনি।

ওল ইন্দিয়া রেডিওগী ফজবা অমখক লৈ। অতৈ ষ্টেসনগীদি চাউমনখিবনা কোনশিবা ঙল্লোই, মরুওইনা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা থৌরম তাবীরিবা খূদিংমকপু ইকায়খূম্নে। তাবীরিবা খূদিংমক ধর্ম্ম, জাৎ-বিজাৎ, লাইর-ইনাক খুনবা, অঙাং অহল হায়বা অমা মশক উদে। মরম অদুনা পূম্নমকপু অমত্তা ওইনা থৌগল্লোন তৌই। ৱাফমসি ঙসিফাওবদা লমদমসিগী সাহিত্যকার, ক্রিটিক অদুগা জর্নেলিষ্ট অমত্তগী কলমদগী নৎত্রগা ৱাহৈদগী নৈনখিবা থেংনজ খিদ্রি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী ওইনা হায়জরবদা,ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালগী ফজবগী মফজবা নৈনবা তারবদি মসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি হায়না পঞ্জনিংঙি। থৌরম তাবীরিবশিংবু নোল্লুক্না চৎচবদি ওল ইন্দিয়া রেডিওশিংগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালসি অমনি। টেক্নিকেলগী অশোয়বদি হায়বা ঙমদে অতৈ থৌরমশিংদি শোয়খিদনবা চেকশিন্না হোৎনবা ঙাক্তনি। ‘ঙাকপীবা’ হায়বা ৱাহৈসি য়ারিমখৈ হায়দনবা হোৎজবা অমনি। মসিগী ফজবসি তোপ তোপ্না থেংনৈ।

ৱাফমশিং অসি মরী ইরৈ লৈনৈ। ঙাইহাক নাথৈরুরবা ‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’ দা অমুক লাকচরি। রেডিওবু পূক্নিং চঙনবা তাবীরিবশিংগা থৌরম শন্দোকপীরিবশিংগা শক্না শক্না উন্নদবনা মরম ওইদুনা থৌগল্লোন অসি তৌন্দবা য়াদে। তাবীরিবা মহাক অদুবুসু মতম চানা শন্দোক্লিবা থৌরম অদু হৌবদগী মকোক্তগী তাহনবা হায়বসি শোয়বা য়াদবনা হৌগদৌরে হায়বসি খঙনবগীদমক শেন্বা মিউজিক অমা মথৌ তারকই। মসিবুনি ঐখোয়না ‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’ হায়রিবসি।

‘সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’ মতাংসি হৌজিক্তিয়াম্না পাক চাউবা অমা ওইখ্রে। রেডিওগী ৱা ঙাক্তা নক্তনা শান্ন-খোৎনবগী, লীলা ড্রামা, ফিল্মগী মখল খূদিংমক্তা ঙসিদি মখোয় মখোয়গী থিম শোং শেম্নখ্রে। থৌরম অমা হৌগদৌরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবগী ৱা ঙাক্তনক্তনা তবীরিবশিংগী থম্মোয় ইহুল ইনোৎ, মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল চীংশিল্লক্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরকই। ‘সিগনেচর ট্যুন হান্না লৈরম্বা নত্তে। কোন্না শেমলকখিবা মচল অমনি। মালেমগী ওইনা মাগী মাগী ‘সিগনেচর ট্যুন শেমলকখিবগী ৱারী ৱাখোং লৈনরি। ঐখোয়গী ওল ইন্দিয়া রেডিওগী ‘সিগনেচর ট্যুন শেমলকখিবগী মতাংদসু খরদং খঙমিন্নবা য়াই।

ঙসি ঐখোয়না রেডিওগী ট্রান্সমিসন হাংদোকলমদাই মিনিট খরগী মমাংদা যন্ত্র (ইন্সট্রুমেন্টেল মিউজিক) মতেক অমা খোংবা তারিবসি রেডিওগীদমক শেমখ্রবা রেদিও সিগনেচর ট্যুন হায়বদুনি। খোংলিবা যন্ত্র অসি ভাইওলিননি । মসিদা তাল য়াওদে তানপুরাগা কোনন্না খোংবনি। অতেনবা মিউজিক্নি। রেদিও সিগনেচর ট্যুন অসিবু কম্পোজ তৌরিবা শেম শারিবা অসিগী মমিং ৱাল্টর কফমেন (Walter Kaufmann) কৌই। czech (Czechoslovakia) মচানি জিয়ুজ রিফ্যুজিনি। মতম অমা অষ্ট্রিয়া-হঙ্গেরিগী শরুক অমা ওইরম্বা Karlsbad, Bohemia অসিদা ৱাল্টর কফমেন ১৯০৭ তা পোকখি। অপোকপগী মিংনা Julius Kaufmann কৌই। কুমশীং ১৯৩০দা Berlin গী Staatlich Hochschule Musik হায়বা কলেজ অসিদগী গ্রেজুয়েট লোয়রকখি। মখা তানা পি.আইচ.দি ফাওবা তমথনবা হোৎনরকখি অদুবু নাজি জর্ম্মণগী অকনবা মালেমগী অনীশুবা লানগী চৈথেং নংলকখিবা হিটলরগী তমথিবা লৈঙাক্তগী মশাগী চহী নৌরিঙৈদা মচি মচিদা শোক্নবা লানগী মৈখুমরক্তা পামজবা যন্ত্র, ঈশৈ নোংমাই লোয়নদুনা ইন্দিয়ারোমদা চেন্থোকলকখি। ইন্দিয়া য়ৌরক্তুনা বোম্বেদা থুংলখি। মহাক্না বোম্বেগী মথোল অনী ৱাংবা বংলো Rewa House, হায়না কৌবা, মতমদুদা Warden Road হৌজিক্না Bhulabhai Desai Road হায়না খঙনবা বোম্বেগী মমিং লৈরবা Mahalaxmi লাইশং মনাক্তা লৈরকখি।

হিংনবা লম্বীসু য়েংবনি,অমরোমদা মীচেলনি। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা Bombay Chamber Music Society কৌবা অমা বোম্বেগী মফমসিদা লৈরগা হাংদোকখি। চয়োল অমগী মনুংদা শগোলশেন নুমিৎ খূদিংগী Willingdon কৌবা জিমখনা (Gymkhana) শান্নফমসিদা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা মশামক্না থৌরম শীন্দুনা হাংদোকলকখি। মীয়াম্না পাম্না তানখি। তপ্না তপ্না ৱাল্টর কফমেন মীয়াম্না শকখঙনবা হৌরকখি। জিয়ুজ রিফ্যুজি অসিনা বোম্বেদা লৈরকখিবসি চহী তারামরীনি। মসিগী মনুংদা

ইন্দিয়াগী মশক নাইবা ক্লসিকেল মিউজিক্কী উসতাদ কয়াগা শকখঙ মায়খঙনরকখি। মশামক ইন্দিয়ান মিউজিক্কী লমদা চঙশিনবা হৌরকখি। ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল মিউজিক্কী রাগ রাগণী কয়া নীংথিনা মমুৎ তানা নৈনরক্তুনা হান্না মশাদা লোয়নজরকপা নোংচুপলোমগী মিউজিক্কী পূক্কে অদদুগী মথক্তা অহেনবা মঙাল ফংলকখি। মতমসিদা ওল ইন্দিয়া রেডিওগী থৌরমসু শন্দোকলকপগা মপা চান্নদুনা

মহাক্না European Music, All India Radio (AIR) Bombay গী Director, ওইদুনা থবক অমা ফংখি। শেন্থোক লম্বী অমা ফংবদগী মিউজিক্কী লমদা চনিং তানা হেন্না কন্না চঙশিনবা হৌরকখি। ওল ইন্দিয়া রেডিওগী ট্রান্সমিসন হৌদোকপগী ‘রেদিও সিগনেচর ট্যুন নৎত্রগা থিম শোং’ অসি মহাক মশানা




Radio signature tune based on Raga Shivaranjini Note



Walter Kaufmann

ইন্দিয়ান রাগ ‘সিভরনজিনি’ হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ১৯৩৬ তা কম্পোজ তৌখি। মতমসিদা মহাক মশাগী চহী ২৯ শুরে। ওল ইন্দিয়া রেডিওগী ঙসিফাওবা শীজিন্নরিবা সিগনেচর ট্যুন অসি জিয়ুজ রিফিয়ুজি জেক্ট মচা ৱাল্টর কফমেন শেমখিবনি। ইন্দিয়ান রাগশিংগী মনুংদা ‘সিভরনজিনি’ মমিং পন্নে। অথোৎপা অমেংবা নুংশিবা খোন্থোক রাগ অসিদা লোয়নরি। রাগসিদা শীজিন্নরিবা ময়েকসি অৱাংবা কাখৎলকপদা (অরহ) SRGPDS অদুগা অনেম্বা কুমথরকপদা(অব্রহ) SDPGRS হায়বা নোটশিং অসিনি।

ৱাল্টর কফমেননা রেডিও সিগনেচর ট্যুন শেমখিবদগী মহাক্কী মমিং মীপূম খূদিংনা হেন্না খঙনরকখি। ইন্দিয়া খক নত্তনা মপাল লৈবাকশিং য়ৌখি। কনসর্ট, সিম্ফোনি কয়া, ৱার্কশোপ কয়াদা শরুক য়াখি। ইন্দিয়া থাদোক্তুনা মপান লমদা মিউজিকোলোজিষ্ট অমা ওইনা তাকপী তম্বীবগী থৌদাং য়ারুই। মহাক্না মখাতানা সাউদ ইষ্ট এসিয়া লৈবাক্কী মিউজিকশিং থিজিন হূমজিন্দুনা নৈনখি। টিবেট, চিনাগী মিউজিক নৈনরমখি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক মাইকৈরোমদা খরগা হেন্না ঙন্না চঙশিবীরল্লগদি মরুওইনা মণিপুরগী ইন্দিজিনিয়স মিউজিকশিং ঐখোয়গী পেনাগী শিকপলোন, লমইন ঈশৈগসি মখোয়গুম্বনা ঙন্না থেংনবীরল্লগদি অনৌবা ভেনচর মিউজিক কম্পোজিসন অমসু শেমলমগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। মখোয়গুম্বা মিউজিকোলোজিষ্ট অতাঙবনি।

ৱাল্টর কফমেননা ভাইওলিনদা কম্পোজ তৌখিবা মিউজিক্কী মখল মথেলশিং, মহাক্না হোৎনরিবা থৌদাং কয়াসি তারুবদগী সাইন্টিষ্ট অলবর্ট আইনষ্টাইন্না (Albert Einstein) পেনবীরদুনা জনুৱারী ২৩,১৯৩৮তা পূক্নিং থৌগৎ ৱারোল চিথি ইরগা মশাদা পীবিখি। অলবর্ট আইনষ্টাইন মতমদুদা মমিং লৈবা সাইন্টিষ্টনি। মশামক ভাওলিন খোংবা আর্টিষ্ট অমসুনি। অলবর্ট আইনষ্টাইনন্না হায়খিবা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। ‘সাইন্টিষ্ট অমা ওইরমদ্রগদি মহাক মালেমদা মমিং লৈবা ভাইওলিনিষ্ট অমা ওইরম্বসু য়াই।’ ৱাল্টর কফমেনগী হোৎনবা কনবা কৎথোকপা হায়বসিনা মায়পাকলক্নবগী লম্বী অমা পীরকপনি। মসিদা শীংনবা হায়বসি য়াওদ্রগদি ওইথোক্তে। ৱাল্টর কফমেননা জিয়ুজ রিফিয়ুজি অমা ওইনা শীংনরগা য়াম্না ৱানা ইন্দিয়াদা লান মরক্তা শিবা চংবা অনীগী মরক্তা থুংলখিবনি। ইন্দিয়াদা মহাক্না লাকলমদ্রগদি মহাক্কী পূন্সি মাইকৈ অমদা চৎলম্বসু য়াই। ঙসি ঐখোয়না তাবা ফংলিবা সিগনেচর ট্যুন অসি অতোপ্পা অমা ওইরম্বসু য়াই। হান্না লৈজরিবা ইন্দিয়ান রাগ ‘সিভরনজিনি’অসিবু হেন্না মীয়ামদা ফজবা মশক খঙহনখিবসি মহাকসু অমনি। ৱাফমসিবু শৌগৎলদুনা ইন্দিয়াগী মশকনাইবা মিউজিকোলোজিষ্টশিংনা ৱাল্টর কফমেননা তৌরিবা অসিবু ‘ৱেষ্টর্ন মিটস ইষ্টর্ন’ হায়নখিবসু লৈ।

মখা তারকপদদি ৱাল্টর কফমেন ইন্দিয়ান ফিল্ম মিউজিক কম্পোজর ফাওবা ওইখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও জর্ম্মণগী হিটলরগী ওৎপা নৈবা পূম্নমক ৱাল্টর কফমেনকী মিউজিক কম্পোজিসন্না মাইকৈ অমরোমদা কাওথোকপা ঙমহনখি। ইন্দিয়ান রাগ ‘সিভরনজিনি’গা খঙনখিবদগী নুংশিরবা শৈহেক শৈদাশিংনা লানগী অৱা অনা তারবশিংবু পোৎথাহনবা ঙমহনখি। ঙসি মীয়াম্না তানরিবা রেডিও সিগনেচর ট্যুন শেম্বীরমখিবা জিয়ুজ রিফিয়ুজি জেক্ট মচা ৱাল্টর কফমেন কুমশীং ১৯৮৪দা লৈখিদে। মহাক্না শেমখিবা রেডিও সিগনেচর ট্যুনগী ৱারী অসি শাংখ্রবা পূন্সিগী ষ্ট্রগল অমগা লোয়নরকখিবা ৱারীনি।

ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী মশাগী ওইনসু অতৈ থৌরমশিংগী মমাংদা খোংগদবা সিগনেচরশিং শেমদুনা লৈখি। খুদম ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙাংগী থৌরম হৌরমদাইদা, নুপীগী থৌরম, খুঞ্জা সভাগী, নহারোলগী খোঞ্জেল হৌরমদাইদা, ঈ পাউ লাকলমদাই অমদি অতৈ থৌরমশিংগী হৌরমদাইদা খোঙনবা অতেনবা সিগনেচর ট্যুনশিং তোঙান্না শেমদুনা থম্নখ্রবনি। হায়রিবা মিউজিকশিং অসিদি অঙনবা মতমদা থৌ পুবীরমখিবা মীওইশিং আর্টিষ্টশিংনা শেল্লগা খোংজবনি। ঙসি ঙরাংগী ৱাফমদি ওইদে। অসুম্না রেডিওগী থৌরম হৌরমদাইদা শীজিন্নরিবা অতেনবা মিউজিকশিং অসি ঐখোয়না ইচম চম্না লৌবা য়াদে মসিগী মমল লৈরি হায়বসি ঐখোয়না খঙমিন্নবা চংঙি।

**-মাখোনমনি মোংসাবা**

---

ৱারী ককনাউ

## ববা পীয়ু

“মসিবু পংঙিরা-শিংঙিরা মথোং মরম অমত্তা খঙদেনে, ঐনা ঙসি ঈ কারক্তনা তপ তাখৈ ফূনিসে”, মচাগী নিংঙাইদা খাঙবা ঙমদ্রবা ইবেল্লেনা ইমুং ৱাই-রম তাশিন্দুনা লময়াইদা চবেং-চবেং ঙাঙলি। ৱাই শিৎপগী কোন্থরিবা মখ্বাংদু অমুক তিংখৎলগা লাউরকই,

“হে নঙ নরৈ শুম শাংব্রা হায়বু ঙসি নরৈদু কক্কনি হায়রিসিনি, তুমিন লৈয়ু তানিংদেকো” ফনা য়াম্না চৈ হায়রসু ননাওদি কপ্পা তোকতে, মাঙ্গোল কাচিন্দা মশাদু তাশিল্লগা ঙেং-ঙেং তৌদুনা কপ্পী। মমিৎ মনাতোন লোইনা চোৎলে, মদু খুনম্না অমুক-মুক তৈথোক্লগা কপ্পদি শুংলেপ হেক লেপ্তে।

ননাও য়াম শাথিবা অঙাংনি, মহাক মী খ্বাইদগসু মান্নদে, মচিং মতা অমনি। মানবু নীংখ্রদি পৎ তৎখৈ হেক্তা য়াদবীনি। তৌবুদি অঙাংনি, থোইদোক্না লৌশিং তাবমক্তি নৎত্রি। শুগে হায়না শুরবদা ননাওসি চহী ৬ কুম্বগা হায়রম্মনি। মানা নীংঙাই তৌরকইসি ঙসাই অয়ূক শান্নবা থোকখিবদগী ননাওগী মতৌ খঙবা লৈকায়গী মীশিংনা মায় মতৌ য়েংসি হায়দুনা লক্নদুনা হন্দক শিখিবা মাগী মপাদু লাকঅম্মী, ঐখোয় লৈকায়গী ক্লবতা ভোট থাদরম্মী নঙগী অচাপোৎ লৈরমদ্রা সিনি। অদুদা ননাওদু হরাওবোই করিবোই, মমাদা চেল্লক্লগা পাউ তল্লবনি। নুংশি মৈনা চাক্লিবা মমানা মচাগী ৱাদু তাবদা অহানবদা মপূক্নিং খরা নৌথরম্মসু, ওইথোকপা য়াদবনিনা শুম শাওরকপনি। মদুদা ননাওনা তৌরি নীংঙাইনা, মপাদু মমানা লোৎশিল্লগা মাগা উনহন্দবনি, মাগী অচাপোৎ লৈহন্দবনি, মপা পীয়ু সিনিদনা। ওন্থোকপা নীংঙাই হায়দুনি। শুম থেম থেমদুনা হায়রম্বদগী ইবেল্লেসু শাওরকপনি। থেম্বদা য়ামল্লক্তবদগী নুংশিখ্রবা মচাদু মনঙ্গন্দা খূৎপাক্না অনী-অহুল্লকসু থাবীখ্রবনি। মদুদদি ননাওদু নীংঙাই হনবদি লায়রদনা কপ্পা হেনজিল্লকপনি। মমানা ঙাঙবা-চৈবগা চঙবা জাৎ নত্তে। মানা নীংইদি মপা লাক্লগা মমানা মপা লোৎখ্রে সিদনি।

“ববা পীয়ু, ববা পীয়ু…’

“নপাদা হায়রুরো চো, ফাক লাউনা থাজিল্লক্কনি, ঙসি নঙ শিনি হায়সিনিকো”

“হায়দুইনি ঐগী ফুরিৎকা অচাপোৎকা ময়াম অমা লৈনি হায়রগা মানা শি হায়দু কমাইনা শিরিনো? ঐদি য়ারোই হায়সিনি। ববা লাকই হায়রগা করিগী ঐগী ফুরিৎকা অচাপোৎকা লৈহন্দ্রিনো? ববা পীয়ু, ববা…ববা।”

“কৌ কৌ নপাদু য়াম কৌ শোয়দনা লাকনি”

“লাকই হায়, নঙনা লোৎলি নৎত্রা?”

“কনানা লাকই হায়রিনো, হা?”

“মখারোমগী তোম্বীগী মপানা হায়নি, ববাদু লাকঅগা ভোট থাদরম্মী হায়”

“ননাও, নঙ তুমিন লৈয়ু, থৱায়গা থৱায় খরা নুংঙাইতবসিদনে, ঐ ঈ কারক্কনি হায়সিনি। নঙোন্দা লোইনা তাইনরক্তনা ঙসি নুমিত্তা কুম্মৈ তানি”

“য়াদে য়াদে কুম্মৈগা য়েংনীংদে, ববা পীয়ু… ববা পীয়ু”

“নুংঙাইখিদ্রেদকো ননাও, নপাদু শিখ্রবনে হায়বনি”

“শিরসু লাক্লগা ভোট থাদরম্মী হায়সিদি”

“কনাননো মোই মপাগী মহুৎ শিল্লগা ভোট থাদৈ হায়সে, মদুদুম কনানো থিদোক্লগা ঐবু থবক তৌরসিরা, ঈসে য়াম কারক্কদৌরিদা তৌরিসে” ইবেল্লে মশাদু অঙাওবীদু ঙাইরে, মওন-মওন খল্লকলে। মচানা মরোন অমা ববা পীয়ু হায়না নীংঙাই তৌবনে, মাসু তৌফম খঙদ্রে, কুইদ্রি মপুরোয়বদু লৈখিদবা কুমওন ফিরোই শোনদ্রিবনি, নুংশি মৈনা তাঙ্গোই তানা চাক্লিবা থম্মোয়নি, ঙসিদি মচানা মাগী তাঙ্গোই ওল্লবা থম্মোয়দু, নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা হুমদুনা খাঙফম খঙদবা অৱাবা অমা ওইররে। মাসু তৌফম খঙদদুনা মচানা কপ্পীবদুগী মনাক্তা মখোঙ শৎ তিংথোক্তুনা কদোমদগী হুল্লকপা মীহুলগী ঈহৌনো খঙদে, শুট-শুট কপ্পা হৌরক্লে।

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

---

## নুপীনা নোংমদা অহুল্লক পঙথৈ

ডো. এল কামিনী কান্ত

(মহৌশাই খূৎশেমগী মতুং ইন্না নুপী নৎত্রগা অমোম হায়বসিনা চাংচত্তা নুপা/লাবদগী খরা শোন্থবা নাকল ওইরকই। মালেমগী ওইনা জিব পানবা খুদিংমক লাবনা অমোম্বু থেম্বনা মপূং ওই। লাবনা থেম্বদা য়ারিবা অসিমক পঙথরুরবা তানফম অমমমনি হায়বা য়াই। অসিনা ওইরমাল্লে নুপীনা নোংমদা অহুল্লক পংথৈ হায়না মৈতৈনা পাউরৌনরল্লিবসি।)

ৱারী : সোইবম ইবেচাউবী শেন্দোই চাবী হল্লকপীনি, মশক মতৌ য়েংবা য়াই, মীওই মীতৌ য়েংবা নুংঙাই। মশাগী চহী নিফুমঙামুক হায়রনি। মতম কুইনা মচা পোক্তবদগী মাগী নুপাদুনা অতোম্বী অমা পুশিল্লকপদগী খাইনদুনা মপামদা হল্লকপনি। হনুবা-হনুবী মপা-মমাগী মদোম পোকপীনি, নুংঙাইনা কোম্না লৈ। মপামগী শাগৈসু খূৎ কল্লিবনি। লৈ শাৎলবদি খোইমু ইনবা তাবনি, পাইরকই খোইমু শরি, থিকাদার, ওজা, পাখ্রা অমদি খুল্লক্কী শনবোই নাহা, তৌবতসু পাখংদি অমত্তা য়াওদে। ময়ামসিগী মরক্তা খুল্লক্কী কৈথেল ষণ হনুয়ায় অমা য়াওরি পোদোন্না চুবদা চত্তবা। লৈকায়গী লৈশা-পাখং ওইনা থংমু-নাউমু হৌমিন্নরকখিবনি। কোয়নীং কোয়নীং তৌরল্লগা লৈহৌবা। নোংতারগা করিনো পোপথোরকই হায়দুনা হৌজিক মপামদা হল্লক্নবী ওইরবসিদদি হান্নগী হনু লমচাসি অমুক মথি ফোংলকপনি। মহাক্কী মমিং অবুজম শামু। চঙলকই ইবেচাউবীখোইদা শেল মচা-মশু পুবগী, মতম চানা অদুম শিংলকই শেন্দোইগা কোন্ননা, তোয়না চঙবা য়ানবগী খুদোংচাবা লৌবা ওইনা তৌই। কোইনদবা শাদুনা য়ূমমীদৌনা ফাগিকা হেক হেক তৌশিল্লি। তৌবসু হৌজিক্কী ফীভম শামু পাখ্রানী, নুপী খায়নখিবদা অঙাং অনী চেন্নখি।

ইবেচাউবীনসু য়াগুম য়াদগুমসু তৌই, তৌবদি শামুগী মমাদু শরৈ কনমনবদগী মমৌ খাঙবা ঙমদদুনা চৎখিবনি হায়বা নক্নবনীনা ইখঙ খঙনৈ, মদুনা ওইরম্বা তাই পুময়া য়াদ্রিবসি। মরু ওইরিবদি ইবেচাউবীগী অহল-লম্মন শোল্লবনীনা য়াওং ইল্লু য়াগদৌবা নিংঙোল মৱা পাম্বা মাল্লে। খুল্লক নিংঙোল তোনানবী ওইনা ইবেচাউবী লাইরিক ইতম তমহৌদে ইবা পাবতমক ঙমহৌই, মীনা ঙাঙবা থাজগল্লি, শেন্দোই, শেল্লেপ হাৎপীখিবা মশীং য়ামখ্রে, অদু ওইরসু চীক্না পৈশা পায়, ময়ামগী শেল পূফমনি। শামু লাইরিক খরা তমহৌরবসু থবক ইনখাংদি তৌহৌদ্রে, এম এল এ, মন্ত্রি খল্লগা ঠিকা মচা মচা ফংনবা হোৎনৈ, য়াম্না হৈ শিংঙি অদুগা অনমসু কল্লি। ফাগি ফাগিদগী মহাক হৌজিক ইবেচাউবীবু চাননমক পাল্লে। লুরিবদি থৌওইনা হায়রুরসু য়াদগুম তৌ, য়াবসু মানগুম তৌ, খুয়াদৈ তিংখঙ অকুপ্পা শৎপসি ঙাই।

নোংমা নুংথিল’মা অহল অনী শোরাৎ চৎখিবগী মীসু খরা চিক্তক তৌবা তাঞ্জা অমদা শামুদু লৈকায়গী মরুপ তোম্বগা ইবেচাউবীখোইদা ফৎ ফাওজিল্লক্লে তাঞ্জা লুল্লম্বরা? চাউবীনা হংঙি - “তা শামু করি হায়গে, বাজি খোয় ইমাখোয়সু চখোকখি, ঐ শাগৈগী ইপ্বা ’মক্তং কৌরুনবা চখোক্কে তৌরল্লিবনি।”

- “এ তাঞ্জা য়াম্না চারে, ঐসু পৈশা পায়বীগী বোদিগার্দ ওইবা য়াইনা, ঙাইখো অরুবা ৱা অমা লৈরে, ঐ খুদক্কী ওইবা ঠিকাগী অচিনবা অমা লৈরে, লুপা লিশীং কুন্থ্রাখক্তা পুগে, মতম চানা শিংগে শেন্দোইকা ফজনা হাপকনি।”

চাউবীনা খঞ্জাননা হায়রকই - শেল শিঙ্গৎলক্কদৌবা ময়াম ৱাৎপদগী হৌজিক্তি খজিক্তমক লৈ, থাদোক্লরোইসিরা খল্লি।”

“এ! অদুকা য়াদ্রে, য়াম্না থুনা শিঙ্গনী মথং থাগী পুর্ণিমা ফাওবগী মনুংদা ঐ পীগে…।”

“অদু … ওইরগা অথু অকাই নঙ্গদৌবা সনাগুম্বকা খরা য়াওরিব্রা ঐ’সু অচিনবা অমা ফৎ লাকপসু খঙদে…।”

“ইবেন্মা! ঐ সনাকা য়াওদে, দলিন অমা ইনসি, ঐ বোন্দ পেপর য়াওরকই, ঐ ‘মরুপ তোম্বনা সাক্ষি ওইরগা লোইরে, ইরগে।”

চেদিং অমা পুথোরক্তুনা দ্রাফ্ট ওইনা অমা ইরে অদুগা পাথোকই শ্রী…. সিংহ….পিং….সাং…. দা লৈবা ঐনা …. শ্রীমতি …. নিংঙোন…. পিং …. সাং…. দা লৈবগী মফমদগী ইশাগী অচিনবা অমা লৈবদগী লুপা লিশীং ৩০ (কুন্থ্রা) শেলগং ওইনা পুরে। হায়রিবা শেনফম অসি চাদা … শেন্দোই কাদুনা মথং থাগী পুর্ণিমা ফাওবগী মনুংদা শিঙ্গদবনি, করিগুম্বা শোয়রবদি শামু ঐ ইশামক্কী মফমদগী শেলফমগা চানবা পোৎ মৎখিবদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়না জ্ঞান তানা মত পীজরি। ইতি… সহি তৌজরিবা শ্রী …. সিংহ সাক্ষি … তাং…. অসি, অসি। ইবেচাউবীবু মুন্না তাহল্লবা মতুংদা য়ারে হায়বগী ৱা পীরদুনা দলিন চে অদুদা ইথোক্লে, মথক্কী অদুগা চপ মান্ননা পাথোক্লবা মতুংদা ৱা কয়া ঙাঙ্গন্দবা তোম্বনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা সাক্ষিগী সহী পীরে। ইবেচাউবীগী মফমদগী সহী অমদি শেনফম অদু শুনা ফংলবদা - “য়াম্না নুংঙাইরে চৎলগে দার্লিং, শেঙ্গাউ অমুক্তং পুল্লদি নুংঙাইগদবনি…।” মরৌ লৈনা নোকফেৎ তৌবা মীৎয়েং অমা য়েংশিল্লল্লগা মখোয়নি চৎখ্রে, ইবেচাউবী। নিঙ্কোক-নিঙ্কোক তৌনা ইনচেদু লৌশিন্দুনা লৈহৌই।

মথং থাগী হায়নবা মতমদু হৌখ্রে, মথংগী পুর্ণিমা অমসু হেল্লবদা ইবেচাউবীনা মী থাদুনা কৌহল্লুবদগী শামুগা তোম্বগা লাক্লে। পান্বে লৈতে শিংবা ঙমদ্রে খুনগী প্রধানগী নাক্তা চৎলগা ৱাফংনরুসি হায়দুনা মখোয় পূন্না চৎলে। প্রধান্না মেম্বর খরগা লোয়ননা ফমদুনা দলিন অদু পাথোকই - মথক্কীশিংদু চপ মান্নে, মখাদা মরোল অমা লোল্লম্মে … করিগুম্বা শেনফম অসি … পুর্ণিমা ফাওবগী মনুংদা শিঙ্গৎলকপা ঙমদ্রবদি শ্রী … সিংহ ইশামক শ্রী সোইবম নিংঙোল ইবেচাউবীগী মপুরোইবা ওইনা লৌশিনবদা আপতি অমত্তা লৈত্রে হায়না ঈশানা য়ানা সহী পীজরি। ইতি। সহী তৌজরিবা…, সাক্ষী…।”

করিনো সিদি, নুপীগী অহুল্লক পংথবগী মনুংদা অমদা দলিনগী মরোল হোংলম্মে। দলিনগী ককপা য়াদ্রবা ইনখিবা মতুং ইন্না ইবেচাউবীবু শামুদা কন্যা কত্তুনা লৌখ্রে। হৌজিক্তি মখোয়নি শেঙ্গাউ পুনখ্রে।

---

## তূমিন লৈবা তমসি

ৱিলিয়ম ৱদসৱর্থনা লৌশিংগী ৱাফম অমা হায়রম্মী, “ঐখোয় ইশাগী অফবা শরুক্তগী তাইবং অসিগী নোমজেন ময়াম অসিনা মতম কুইনা কায়নহল্লবদা, তাইবংগী থৌদাং পাঙথোকপদা চোকথরল্লবা হৈনিংঙক্ত্রবা, মসিগী অপেন-নুংঙাইশিংদগী চোকথরল্লবদা, তূমিন লৈবা অসিনা কয়াদা চীং লেম্না থৌজালগী মশক উৎলিবা।” কয়াম কুইখ্রবগে নহাক্না তূমিন্না লৈখিবা, লেঙদনা লৈখিবা মতমদো? কয়াম কুইখ্রবগে মতমদগী মতুপ অমা কক্তুনা পূক্নিং, হকচাং অমদি থৱায়বু হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিনহন্নবা, মীৎয়েং পুনশিন্নবা অমদি নৌনা পাঙ্গল হাপকৎনবা চীক্না নাইতোম লৈবগী নুংঙাইবা লৌনবা তৌখিবা অদু?

তাইবংপান অসিদা থেংনরিবা লৌশিংগী লীক্লম পুম্নমক্না খনবমখৈ খল্লুরগা চপ মান্নবা ৱারোইশিন অসিদা তররে: নহাক্কী ওইরিবা অশেংবা মশক অদুগা শম্মনবা অমদি নশা মনুংদা লৈরিবা নতীক-নঙাল অদু খঙজনবা চাং নাইনা তুমীন্না লৈনবগী মতম নাইহনগদবনি। হোয়, নহাক অসি থৌদি য়াম্না চিল্লিবনি। অদুবু, থোরিওনা হায়খিবগুমদুনা: “থবক চিল্লি হায়বতনা হেক য়াবা নত্তে, চিনবদি ককচেংশিং অসিসু চিল্লিনা। হংবা য়াবা ৱাহংদি করি তৌবদা চিল্লিবনো?”

তূমিন লৈবগী মরুওইবগী ৱাফমসি লাকপদা লাইটহাওস পান্নবা অহল অমগী ৱারীদু হেক্তা নীংশিংলকই। মাগী থাউমৈদুনা মফম তাক্তুনা অনকপদা হোল্লিবা হিজাউশিংনা নূং পৈখৎতুনা লৈবা ঈশিংগী শরুকশিং অদু থৈদুনা চৎপা ঙমগদৌরিবনি। লুরিবদি থাউমৈদা হাপ্পবা থাউ অদু য়াম্মক্তে। অহিং অমদি লাইটহাউসকা নক্না লৈবা নুপা অমনা ময়ুমদা থান্নবা থাউ লৈত্রদুনা অহলদুদগী থাউ খরা নিবা লাক্লে। নুংঙাইতদুনা লাইটহাউস পান্নবদুনা মঙোন্দা থাউ খরা খাইখরে। নোংমা অহিং অমদনা অমুক লম্বী চৎপা অমনা থাউ লোইথোকখ্রে, চৎপদা উদ্রে অদুদা খীৎতা পীবিয়ু হায়দুনা থাউ নিবা অমুক লাক্লে। লাইটহাউস পান্নবনা য়াদবা ঙমদ্রদুনা হন্দকসু মানা পাল্লিবা থাউগী চাংদু পীবিখ্রে। মথংগী অহিংদনা লাইটহাউস পান্নবগী থোঙদা মমা ওইবী অমনা হৌগৎলু হায়দুনা থোঙ থীল্লরে। নুপী অদুনা ময়ুম মল্লে, চাক-ঈশিং চাবা থকপদা অমত্তা উনদ্রে, থাউ খরা পীবিয়ু অমুক হায়ররে। অমুকসু নুংঙাইতদুনা থাউদু পীখ্র। অসুম্না মাগী লৈরম্বা থাউমখৈ পুল্লোই লোইখিদুনা থাল্লিবা মৈরাসু মুৎখ্রে। হিজাউ কয়া অমা নূংদা য়ৈশিন্দুনা কায়রে, মী কয়া শিরে। পুম্নমক লাইটহাউস পান্নবনা মাগী মথৌদা অহান অকোন মশক খঙদবদগী থোকখিবনি। মহাক্কী মমাঙদা তারিবা হান্না তৌফম থোকপা মথৌ অদু তৌরুদবনা অসুক চাউবা অমাঙ অতা থোকখিবনি। মিনিট খরদং ওইরবসু নোংমগী মনুংদা ঙাইহাক নাইতোম চীক্না লৈবনা পুন্সিগী খ্বাইদগী হান্না তৌগদবা থবকশিং অদু মশক খঙদোকপা, মদোমদা মায় ওনশিনবা ঙমহনগনি অমদি ঐখোয় কয়া কয়াগী পুন্সিদা থোক্লিবা অহান অকোন থৌশাদবগী থবকশিং অসি তৌহল্লোই। অদুগা চাং নাইনা ঙাইহক তূমিন লৈনবগী মতম থবক চিনমন্দুনা শংদে হায়বা তারবদি গাড়ী থৌবা লেপ্পা শংদদুনা থাউ হাপ্পবা মতম লৈত্রে হায়বগা অমহা তারনি। থাউ হাপ্পবা মতম শংদ্রবদি গাড়ীসু মতোমতা লেপখিবা তাবনি ।

**(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক ‘নহাক্না শিরগা কনানা কপহৌগনি?’ হায়বদুদগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।